## সিনেমা সো উৎপা লেপকনি

ইম্ফাল, দিসেম্বর ২২ : হৌজিক ওইরিবা লৈবাক্কী ফীভম অসিনা মরম ওইরগা ফিল্ম ফোরম মণিপুরগী অথুবা মীফম অমা ফমদুনা লৌখিবা ৱারেপকী মতুংইন্না ঙসিদগী হৌনা মতম কক্তনা ফিল্ম নম্বা অমদি লৈকায় লৈকায়দা সিনেমা উৎপা মতম কক্তনা লেপ্লে। অথিংবা অসি সিনেমা হাউসশিংগীদি কোমথোক্কনি। অথিংবা অসি মখা তাবা ফিল্ম ফোরমগী ৱারেপ অমা লৌদ্রিবফাওবা চৎনখিগনি হায়না ফিল্ম ফোরম মণিপুরগী চ্যেরমেনা থোকপা চেরোল অমনা হায়রি।

## ৱাকৎ মীফম ফমখ্রে

ইম্ফাল, দিসেম্বর ২২ (ঐচএন এস) :

ষ্টেট অসিদা হৌজিক ওইরিবা ফীভমশিংগী মতাংদা অথুবদা ৱারোইশিন পুরকউ, নোংমদা তঙাইফদনা চঙবা পোৎলমশিং ফংহল্লু হায়না মণিপুর নেসনল দেমোক্রেটিকফ্রন্ট (এম এন দি এফ) না ঙসি ৱাকৎ মীফম ফমখ্রে।

কৈশাম্পাৎ লৈমজম লৈকায়গী কম্যুনিটি হোলদা এম এন দি এফকী থৌপুবশিংনা ৱাকৎ মীফম ফমখি। ৱাকৎ মীফম অদুদা শরুক য়াখিবা এম এন দি এফকী ভাইস প্রসিদেন্ট বিজয় কোঁইজমনা ফোঙদোকখিবদা, ষ্টেট অসিদা হৌজিক অৱাবা ফীভম কয়া মায়োক্লুরি। ওইরিবা ফীভম অসিদা মীয়াম্না থেংনরিবা অৱাবা কয়া অসি য়েংলগা ব্লোকেদসু হন্দোকপীয়ু। নোংমদা তঙাইফদনা চঙদবা য়াদ্রবা পোৎলম কয়া ফংদবগী খুদোংচাদবসু মায়োক্লুরি। হন্দক্তা ইম্ফাল-মোরে লম্বীদা চথরকখিবা এন্বুশতা মণিপুর পুলিস পার্সনেল অহুম হাৎখিবা অমদি কয়া অমনা অশোক অপন নংহনখিবা থৌদোক অদু য়ানিংদে হায়নসু ফোঙদোকখি।

## কাদা চোঙাবী য়ুনিট হাঙদোকখ্রে

ইম্ফাল, দিসেম্বর ২২ (ঐচএন এস) :

কোএলিসন এগেনষ্ট দ্রগস এন্দ অলকোহোল (কাদা) না লমদম অসিদগী ময়াই কাবা চীঞ্জাক মরু ফঙনা মুথৎনবা পান্দমদা লেপ্পা লৈতনা চঙশিল্লকপা খোঙজংগী শরুক অমা ওইনা ঙসি অয়ুক পুং ৯.৩০ রোম তাবা মতমদা ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চনবা কোংবা চোংঙাবীগী মনুং চনবা চোঙাবী দিভলপমেন্ট রিলিফ ওর্গনাইজেসনগী ওফিসতা মীফম অমা পাঙথোক্তুনা কাদা চোঙাবী য়ুনিট হাংদোকখ্রে।

থৌরম অদুদা হিজম প্রিয়োকুমার ভাইস প্রসিদেন্ট কাদা অমদি পুয়াম প্রমোদিনি সেক্রেটরি জেনরেল, ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্ট কম্মিটিনা চীফ গেষ্ট অমদি প্রসিদেন্ট ওইনা শরুক য়াখি।

থৌরম অদুদা হিজম প্রিয়োকুমার ভি পি, কাদানা হায়খিবদা হৌজিক ওইরিবা লৈবাক্কী ফিভম অসিদা ময়াই কাবা নীশা শীজিন্নরগা লমদম অসিদা খুন্দামিন্নরিবা ফুরুপ মশেলগী মরক্তা নুংশিনদনবা হোৎনরিবশিংদগী চেকশিনবীয়ু। ময়াই কাবা চীঞ্জাক শীজিন্নরগা লৈবাক ঈরাং থোক্লবা লম্বী লমজাওদা অচৎ অওকশিংদা লৈবাক নুংশিবা শাদুনা মীয়ামদা অৱাবা পীবশিং ঐখোয়না মায়োক্লগদবনি। কাদাগী থৌমী খুদিংমক্লা ময়াই কাবা চীঞ্জাক শীজিন্নরগা লৈবাক্কী লুরবা ফিভম অসিদা মীয়াম্বু অফবা অচুম্বা মায়কৈদা মাইওন চুম্নবা অচৌবা থৌদাং লৌগদবনি হায়খি।

পুয়াম প্রমোদিনিনা হায়খি, চোঙাবী অসি খোঙমন, বাশিখোঙ, কৈরাও, উরুপনচিংবা লমশিংগী ফাওনফম ওইবা অদুগা অন্দ্রো ঙারিয়ান লাইন ওইবনীনা য়ু পুথোক পুশিনগী অচৌবা লম্বী অমা ওইবনীনা ঙসি হাংদোক্কদৌরিবা য়ুনিট অসিনা অচৌবা মতেং অমা ওইরগনি। য়ুনিট অসিনা ইম্ফাল ইষ্টকী দিষ্ট্রিক্ট কম্মিটিগী খুৎশম্নদুনা মায়কৈ অসোমদা ময়াই কাবা চিঞ্জাক থিংদুনা অফবা মহৈরোয় কয়া শান্নরোয় কয়া পুথোক্লসি হায়না ফোঙদোকখি।

নৌনা হাংদোক্লবা য়ুনিট অসিগী থৌ পুনবগীদমকমীওইকয়াসুখনখি। মরুওইন্না থোকচোম প্রমোদিনি প্রসিদেন্ট, পুয়াম থম্বাল ভাইস প্রসিদেন্ট, আর কে নুংশি ভাইস প্রসিদেন্ট অমদি সেক্রেটরি জেনরলদা সেরাম তম্মানি।

## চরাংনবা ফীভম লোইশিন্দনা...

*লামায় ২গী মখা...* ব্লোকেদকী চৈথেং হেক ফংবগা সেন্টরদা লৈঙাক পায়বা য়াওরিবা য়ুনিয়ন মিনিষ্টর রাম বিলাশ পাসৱানগা উনদুনা চেরোল পীশিনখ্রবনি। হৌজিক ওইরক্লিবা ষ্টেটকী ফীভমসিদা ৱারোইশিন অমা পুরক্লবা চেরোল পীননবা দিল্লিদা চৎলগনি হায়খি। এল জে পি, দলিট সেনা, মণিপুরগী প্রসিদেন্ট আর কে কাইকুনা হায়খি, মীয়ামগী থৌগল তৌগনি থোক্লক্লিবা লুচিংবশিংনা মীয়ামগী অৱাবশিং কোকহন্নবা খোঙথাং লৌখৎপগী মহুত্তা মশাগী খুদোংচাবা লৌনবা হোৎনরি। মীয়ামগী অপাম্বা ফংহন্নবা হোৎনবদা এম এল এ, মিনিষ্টর ফমদগী ফাওবা রিজাইন তৌফম থোকই। মীয়াম্নবু য়ারবদি ভোট হায়বসি খোম্লুদ্রবসু অদুমক কাজগনি। মীখলগীদমক চেন চোংবা তোক্তুনা মীয়াম্না থেংনরিবা অৱাবা কোকহন্নবা হান্না হোৎনবীয়ু।

## মীয়ামগী খল্লগা ব্লোকেদ হন্দোকপীয়ু : ওর্গনাইজেসন

ইম্ফাল, দিসেম্বর ২২ (ঐচএন এস) :

দিমোনেটাইজেসন্না মরম ওইরগা লমদমসিগী মীয়াম্না অৱাবা কয়া মায়োক্লুরিঙৈ চৈরক অসিদা য়ুনাইটেদ নাগা কাউন্সীল (য়ু এন সী) না মতম কক্তবা ইকনমিক ব্লোকেদ চথরকপা অসিনা মণিপুরগী মীয়াম হায়নিংঙাই লৈতনা অৱাবা মায়োক্লুরে। য়ু এন সীনা অশেংবা সিবিল সোসাইটি ওর্গনাইজেসন অমা ওইরবদি মীয়ামগী অৱাবা য়েংবীদুনা খুদক্তা ইকনমিক ব্লোকেদ হন্দোকপীয়ু হায়না ৱিমেন ৱেলফ্যের ওর্গনাজেসন, কংলৈপাক (দব্লিয়ু দব্লিয়ু ও কে) না ফোঙদোরক্লি।

ৱিমেন ৱেলফ্যের ওর্গনাজেসন কংলৈপাক্কী সেক্রেটরি এন চিংখৈঙালবীনা খুৎয়েক পীদুনা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়, য়ু এন সীনা থা ২ রোম লেপ্তুনা চথরক্লিবা ইকনমিক ব্লোকেদ অমদি মসিগী মায়োক্তা চথরিবা কাউন্টর ব্লোকেদ অসিনা হকথেংননা অৱাবা চৈথেং পীরিবসি নোংমগী শুজ-নোমজরগা হিংজরিবা চীংমী-তম্মী মীয়ামদনি। মসিগী চৈথেং অসি ইন্দিয়া গভর্ণমেন্ট অমসুং মণিপুর গভর্ণমেন্টনা ফংবা নত্তে। মরম অসিনা মীয়াম্না অৱাবা খাঙলকপা থা ২ রোম ফাজিল্লক্লবা ফাওবদা লৌখৎফম থোকপা থবক অমত্তা মতিক চানা ইন্দিয়া গভর্ণমেন্ট অমসুং মণিপুর গভর্ণমেন্টনা লৌখৎতনা তুমীন্না লৈরিবসিনি। লৈঙাক হায়বসি মীয়ামগী নত্তবরা। য়ু এন সীনা চঙশিল্লিবা ইকনমিক ব্লোকেদ অসিনা মণিপুর মীয়ামগী পোৎচৈ, লন-থুম কয়া মাঙহন্দুনা অৱাবা কয়া মায়োক্লরবদা ইন্দিয়া গভর্ণমেন্টনা ঙসি ফাওবা তুমীন্না লৈশিল্লিবা করিগীনো। মণিপুরগী মীয়াম্না পাম্বদি সেন্টরনা পেরা মিলিটরি ফোর্স ময়াম থাজিল্লক্তুনা মণিপুরবু ৱার ফিল্ড ওইহনবদু নত্তে। মরম চানা য়ু এন সীগী ইকনমিক ব্লোকেদ লোইশিনহনবা, মণিপুরগী মহৌশাগী ওইবা ফীভম কায়দনা নে-তানা, ঈং-তপ্পা পুরকপা অদুনি। মসি নত্তনা চীংমী-তম্মীগী মরক্তা মচেৎ তান্ননবা দিভাইদ এন্দ রুল শান্নরক্লবদি মদু ওর্গনাইজেসন অসিনা য়াবা শুকঙম ঙল্লোই।

মালেমদা লৈরিবা সিবিল সোসাইটি ওর্গনাইজেসন (সী এস ও) হায়বসি মালেমগী, লৈবাক্কী, খুন্নাইগী, মীয়ামগী অফবা অচুম্বা থবক তৌনবনি। সী এস ও অমনা তৌরিবা থবক্তুনা মীয়ামদা কান্নবা নুংঙাইবা পীবগী মহুত্তা চৈথেং কয়া পীরবদি মদু তৌফম থোক্তবা থবক্লি। কনাগুম্বা খরগী কান্নগদবা ওইরবসু মীয়ামগী মাঙজগদবা ওইরবদি খোঙফম হন্দোক্কদবনি। খঙহৌদনা তৌরুবা তারবসু শোয়রে খঙলকপা মীকুপতা হন্দোক্কদবনি। মীয়ামগী অৱাববু করিসু খন্দবা, মশাগীতা খনবা সী এস ওগী লিদর কয়া য়াওরকপনা লমদমসিগী মীয়াম্না অৱাবা কয়া মায়োক্লুরক্লিবনি। য়ু এন সীনা মণিপুর মীয়ামগী খনবীদুনা ইকনমিক ব্লোকেদ অসি খুদক্তা হন্দোকপীয়ু। মীয়াম পুম্নমক্লসু ৱাখল ফাথবীয়ু। অরানবা ৱাখল খনবীগনু। তোকঙা শন্দোকপীগনু। কনাগুম্বা খরনা ঐখোয়বু মচেৎ তানবা, তোখায় তানবা খৎননবা শিল্লগা ঐখোয়না য়াফম থোক্তে। ঐখোয় মশেল শাউনবগী মহুত্তা তোখায় তানবা শিল্লিবা কাঙবুদা ঐখোয়গী অমত্তা ওইবগী নুংশি লীপুননা পাড়া কয়া তন্বীদুনা তোখায় তানবা শিল্লিবা কাঙবু অদুবু মায়থীবা পীরসি হায়নসু চেরোল অদুনা মখা তানা ফোঙদোরক্লি।

অমরোমদা, য়ুনাইটেদ নাগা কাউন্সিল(য়ু এন সী)না মণিপুরগী নেসনল হায়ৱে অনীদা চথরিবা ইকনমিক ব্লোকেদ অসি নুমিৎ ৫২ নি শুখিবগা লোয়ননা মীয়ামদা চাওনা অৱা-চৈথেং পীরে। ইন্দিয়া গভর্ণমেন্ট অমসুং ষ্টেট গভর্ণমেন্টনা হকচিনবা থবক থৌরমশিং পায়খৎতবদগী অসিগুম্বা তানফম অসি য়ৌহনবনি হায়না সেক্যুলর দেমোক্রেটিক এল্লাইন্স ওফ মণিপুর (এস দি এ এম)না ফোঙদোকখ্রে।

ঙসি নুংথিল মণিপুর প্রেস ক্লবতা পাউমীশিংগা উনবদা এস দি এ এমগী মেম্বর সেক্রেটরি খোমদ্রাম গ্যানেশ্বরনা হায়খি, কোংগ্রেস অমসুং বি জে পি নৎতবা মণিপুরদা ওপোজিসন পার্টি ওইনা লৈরিবা পোলিটিকেল পার্টিশিং অসিনা অতম্মনা মণিপুর গভর্ণমেন্টতা তকশিন্দুনা লাক্লি। অদুবু হৌজিক ফাওবা লৈঙাক্লা করিগুম্বা অমত্তা তৌবীবদি উদে। মরম অদুনা ওপোজিসন ওইনা লৈরিবা পোলিটিকেল পার্টিশিং পূনশিন্নরক্লগা ৱারোইশিন অমা পুরকপা য়াগদবা করি করম্বা খোঙজং চঙশিনবা য়াবগে হায়বদু খন্নদুনা পূন্না হোৎনমিন্নবগী তানফম অদু য়ৌরে। হয়েংদগী হৌনা এস দি এ এমনা ওপোজিসন ওইনা লৈরিবা পোলিটিকেল পার্টিশিং অসি চেবাউ পীরগা অপূনবগী ওইবা খোঙজং অমা চঙশিন্নবা হোৎননবগীদমক শেম শারে হায়না মহাক্লা মখা তানা ফোঙদোকখি।

## পোলিটিসিয়নশিংনা চোংথোক-চোংশিন তৌবনা পোলিটিক্স লৈখা তাহল্লি : সী পি আই

ইম্ফাল, দিসেম্বর ২২ (ঐচ এন এস):

মণিপুরদা পোলিটিক্স তৌগে হায়দুনা থোক্লিবা মীওই কয়ানা ঙাইহাক লৈতনা চোংথোক-চোংশিন তৌদুনা দিফেক্সনবু অফবা থবক্কুম উহন্দুনা ফজরবা পোলিটিকেল আইদিওলোজিবু লৈখা তাহল্লে হায়দুনা কোন্থৌজম লোকেল কাউন্সিল, সী পি আইনা ফোঙদোরক্লি।

কোন্থৌজম লোকেল কাউন্সিল, সী পি আইগী সেক্রেটরিনা থোকপা চেরোল অমনা হায়, থাংমৈবন্দ এসেমব্লি কন্সটিট্যুয়েন্সিগী মীহুৎ ওইরিবা জয়কিষননা তেনখ্রবা মতম অসিদা পার্টি অহুমদা মথং-মথং চোংদুনা মওং-মরিল তাদবা থৌদৌ কয়া পাঙথোকখ্রে। অমরোমদা, কোন্থৌজম এ সীগী এম এল এসু বি জে পিদা য়াওগনি হায়না তৌরম্বদগী তৃনমূল কোংগ্রেসনা নো কনফিদেন্স মোসন থাঙ্গৎলুরগা মমৈদা কোংগ্রেসতা অমুক য়াওখিবা হায়বসি পুৱারী অমনি। য়াম্না ঙক্লিবদি অপোকপনা কোংগ্রেসকী স্পিকরগী ফম পায়রম্বদগী খঙহৌদনা লৈখিদবগী মহুৎ শীন্দুনা কোংগ্রেসকী কেন্দিদেট হন্না-হন্না ওইরুরবা মীওই অদুবু খুদক্তা বি জে পিদা য়াওখিবা অসিসু পুৱারী অমনি। মীয়ামদা শেল পীরগা য়াগনি হায়বসি হেক্তা থাজফম থোক্তে। মণিপুরগী মীয়াম্নসু পোলিটিকেলগী আইদিওলোজি খঙদবা লৈবাক ঙাকপা য়াওগে হায়না থোক্লকপা মীওইশিংবু মশক মুন্না খঙই হায়রি।

অমরোমদা, কোন্থৌজম লোকেল কাউন্সিল সী পি আইনা য়ু এন সীনা চথরিবা ইকনমিক ব্লোকেদ হন্দোক্না তকশিল্লক্লি।

## লুচিংবশিংনা লাইনিংগী পাউতাক ইন্দবদগী থোকখিবনি

ইম্ফাল, দিসেম্বর ২২ (ঐচ এন এস): ইকনমিক ব্লোকেদনা মরম ওইদুনা মীয়ামগী মরক্তা শাউনবা অমসুং য়েক্লবগুম্না লৌনরক্লিবা অসি পোলিটিকেল অমদি সিভিল সোসাইটি ওর্গনাইজেসনগী লুচিংবশিংনা লাইনিংদা য়ুম্ফম ওইরগা শন্দাইনগদবনি হায়না মাইচৌ নীংশিং লূপনা ফোঙদোরক্লি।

মালেম ইমা লাইনিং লূপ অমসুং লাইরেম্বী শীন্থা লূপকী সেক্রেটরিশিংনা পূন্না থোকপা চেরোল অমনা হায়, নেসনল হায়ৱেদা ইকনমিক ব্লোকেদ মতম শাংনা চথরক্লবা মতুংদা গাড়ীনচিংবা মৈ থানবা ইনশিল্লক্লিবা লুচিংবশিংদা পীরিবা ঈথিল অসি লাইনিংনা পীরকপনি। মরম অদুনা লুচিংবশিং অমদি তুং ইন্নরিবা মীয়াম্না ঐখোয়-ঐখোয়না থাজরিবা লাইনিংগী পাউতাক ঙাক্লা চৎপগী তঙাইফদবা লৈরে। লাইনিংদা য়ুম্ফম ওইদুনা শন্দাইনবা নৎতনা ৱাথোক অসিগী ৱারোইশিন পুরকপা ঙল্লোই।

নেসনল হায়ৱেদা মীওইবগী চীঞ্জাক পুবা থিংজিনবা, লাইনিংগী থৌরম কুম্মৈ শরুক য়াবা চৎপদা খুরাই হৈক্রুমখোঙদা গাড়ী মনুংদা তোংলিবশিংনা উশিৎ থৌওইদবা মওং মতৌ উৎলুবদগী মীয়াম্না শাউদুনা মৈ থাখিবা মদুগী পাউখুম ওইনা সেনাপতিদা গাড়ী মঙা মৈ থাখিবা অমদি মদুদা তোংলকপা মীওইশিং শাংলবা লম্বী মখোঙনা চৎহনবা, নুঙ্গৈদা য়ুম মৈ থাবগী থৌদোক, চীংমৈরোংদা লাইনিংফম থুগায়বনচিংবা কয়া অসি তৌননবা ইনশিল্লিবা কয়া অসিবু মায়ওন চুন্নিবা লুচিংবশিংনা মখোয়-মখোয়না থাজরিবা লাইনিংগী পাউতাক ইন্দবশিংনা থোকহনবনি হায়রি।

## মোইরাং, থাঙ্গদা ৱাটর সপ্লাই স্কিমশিং শঙ্গাখ্রে

ইম্ফাল, দিসেম্বর ২২ (ঐচএন এস) :

বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চন্না মোইরাং মমাঙ চীংদা নৌনা শাবা ৱাটর সপ্লাই স্কিম অমদি থাঙ্গ চীংদা নৌনা শাবা ৱাটর সপ্লাই স্কিম ঙসি পি ঐচ ঈ দি মিনিষ্টর মঙা ৱাইফৈনা শঙ্গাখ্রে।

মোইরাং মমাঙ চহী ৱাটর সপ্লাই স্কিম শঙ্গাবগী থৌরমদা পি ঐচ ঈ দি মিনিষ্টর মঙা ৱাইফৈনা হায়খি, অতৈ মফমশিংদদি চীংদা উশিং য়ান্থুৎপনা নোংজুথাগী মতমদা খুদক্কী ঈশিং ঈচাউ থোকপা অদুগা কালেনগী মতমদনা ঈকং থোকপগী অৱাবা মায়োক্লে। মোইরাং এরিয়াদদি লোক্তাক পাৎ লৈবনা অসুক্কী মতিক শাফরে। মোইরাং এরিয়াদা ৱাটর সপ্লাই স্কিম লৈরকপদগী চহী ২ রোমসি ঈশিংগী অৱাবা লৈত্রবরা হায়না খল্লি। মরমসিনা ঙসি মীয়ামদা খুৎশিন্নরিবা ৱাটর সপ্লাইসি নীংথিনা ঙাক শেনবীদুনা কান্নবা লৌবীয়ু। স্কিমসিনা ম্যুনিসিপালিটি এরিয়াশিংদা কান্নবা পীবা ঙম্বসিসু অচৌবা মায় পাকপা অমনি। মসি ষ্টেটসিগী চীফ মিনিষ্টর, মোইরাং এ সীগী এম এল এ পৃথিবীরাজ, পি ঐচ ঈগী চীফ ইঞ্জিনিয়ার, মরুওইনা বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্টকী ঈ ঈগী ক্রেদিটনি।

স্কিমসি কুমজা ২০১০-১১ গী স্পেসল দিভলপমেন্ট ফন্দদগী লুপা লাখ ৯৯৫.০০ চঙনা শাবনি। স্কিমসিনা ফাইরেম্বম, থানা লৈকায়, কোকিলবোন্দ, থোয়া, মাইৱম, লাইশাংবম, থাংজিং মমাঙনচিংবা লৈকায়শিংগী মীওই ২৩,৪৯৭ লোমদা অমদি মোইরাংদা লৈবা হোস্পিটাল অমদি ওফিসশিংদা কান্নবা পীনবগী পান্দম থল্লি হায়রি।

থৌরম অদুদা পার্লিয়ামেন্টরি সেক্রেটরি পৃথিবীরাজ, এদিসনল চীফ সেক্রেটরি পি ঐচ ঈ, দব্লিয়ু হংসিং, চীফ ইঞ্জিনিয়ার ঐচ সুনিলসু শরুক য়াখি।

অমরোমদা, থাঙ্গ চীংদা নৌনা শাবা ৱাটর সপ্লাই শঙ্গাবগী থৌরমদা ৱা ঙাঙলদুনা পি ঐচ ঈ দি মিনিষ্টর মঙা ৱাইফৈ হায়খি, স্কিম অসি হান্ননা মথৌ তৌবা হৌরে। অদুবু ফোর্মেল ওইনা ঙসি শঙ্গাবনি। থাঙ্গগী মীয়াম্না থক্লবা ঈশিংগী অৱাবা লৈরম্বশিং কোকহল্লগনি। ইকুই কুইদনা কৈবুলদসু ৱাটর সপ্লাই স্কিম অমা লোইশিল্লগা শঙ্গনবা হোৎনরগনি।

স্কিম অসি কুমজা ২০০৯-১০ গী এন এল সী পি আর ফন্দিংদগী লুপা লাখ ৫৩১.৬ চঙনা শাবনি। মসিনা ১.০১৪ এম এল দি ঈশিং পুথোক্তুনা মীওই ২২,১৭০ দা কান্নবা পীনবা পান্দম থল্লি। থাঙ্গগী তোঙান তোঙানবা লৈকায় কয়াদা ঈশিং পীনবা মীৎয়েং থল্লি হায়নসু মখা তারি। শঙ্গাবগী থৌরম অদুদা থাঙ্গ এ সীগী এম এল এ, টি মঙ্গিবাবুসু শরুক য়াখি।

## নুংঙাইবা ফোঙদোরক্লি

ইম্ফাল, দিসেম্বর ২২ : ককচীং দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চনবা ককচীং ময়ায় লৈকায়দা লৈবা হৌজিক্লা ৮ শুবা এম আরগী সী ও ওইরিবা মোইৱাংথেম রাজেননা সাহিত্য একাদেমী এৱার্দ ২০১৬ ফংলকপদা সাহিত্য সেবা সম্মিটি মণিপুর, ককচীংনা নুংঙাইবা ফোঙদোরক্লি। *চেপথরবা ঈশিং পুন* হায়না মিংথোনবা কুমজা ২০১১ দা ফোঙখিবা ৱারীমচাগী লাইরিক অদুদা এৱার্দ অসি পীরকপনি হায়রি। কুমজা ২০০৫ তা মাইবক নবকিশ্বর, হিয়াংলমদা লৈবনা *পাঙ্গল শোনবী ঐসি অদোমগীনি* হায়বা ৱারীমচাগী লাইরিক্তা সাহিত্য একাদেমী এৱার্দ ফংখিবদুগী মতুংদা ৱারীমচাগী লাইরিক্তা সাহিত্য একাদেমী এৱার্দ ফংলকপা অনীশুবনি।

## ইকনমিক ব্লোকেদ অমসুং কাউন্টর ইকনমিক ব্লোকেদ মতম খরা হন্দোকউ : য়ু এন এম এম

ইম্ফাল, দিসেম্বর ২২ (ঐচএন এস) :

য়ুনাইটেদ এন জি ওজ মিসন মণিপুর (য়ু এন এম এম) না শীন্দুনা লমদমসিগী তোঙান তোঙানবা সিবিল সোসাইটি ওর্গনাইজেসনশিং, চর্চকী মীহুৎশিং, লাইনিং-লাইশোনগা মরী লৈনবা মীওইশিং অমদি তোঙান তোঙানবা দিষ্ট্রিক্টশিংদগী লাকপা মীওইশিংগী ওইবা মীফম অমা ঙসি ইম্ফাল হোটেলগী সঙাই হোলদা ফমদুনা ৱাফম কয়া খন্নখ্রে।

মীফম অদু পাঙথোক্লবা মতুংদা পাউমীশিংগা উনবদা য়ু এন এম এমগী সেক্রেটরি য়ু নোবোকিশ্বরনা হায়খি, ঙসি হোটেল ইম্ফালগী সঙাই হোলদা দিপ্পর অন্দরষ্টেন্দিং ওফ প্রজেক্ট কনফ্লিক্ট ইন মণিপুর: রিফ্লেক্টিং ইথনিক ক্লিন্সিং পোলিসী এন্দ রোল ওফ অফস্পা ১৯৫৮ হায়বা পান্দমদা খন্ন-নৈনখি। খন্ন-নৈনবা অসিদা তোঙান তোঙানবা মীওইশিংনা শরুক য়াখি।

মীফম অসিনা মণিপুরদা ৱাথোক লান্থোক থোকহন্নবা চথরক্লিবা ইকনমিক ব্লোকেদ অসি লেপহনবা মথৌ তাই হায়না ৱারেপ লৌখি। ইন্দিয়াসি মালেমগী থাক্তা অচৌবা লৈবাক অমা ওইরিবনি। অদুবু মীচম-মীয়ামশিংবু নোংমৈ পায়বা মীওইশিংনা কিহন-খঙহল্লগা লোনা য়াদবা থবক চথরিবসি থিংগদবনি হায়না মীফম অদুনা মরী লৈনবা ইন্দিয়া গভর্ণমেন্ট অমসুং মণিপুর গভর্ণমেন্টতা তকশিনখি।

কনাগুম্বা কাঙলুপ নৎত্রগা গ্রুপ অমনা ইন্দিয়াগী লৈঙাক্লা য়াদবা থবক থৌরম কয়া চথরম্লবসু অথুবা মতমদা পোলিটিকেলগী ওইবা অহোংবশিং পুরক্লবা ৱারী শানদুনা শংদাইননবা হোৎনগদবনি। লমদম অসিদা তংদু লৈতাবা পুরক্লবা ইন্দিয়া লৈঙাক্লা পেরা মিলিটরি ফোর্সশিং অমদি সেক্যুরিটি পার্সনেল কয়া থমদুনা তংদু লৈতানা লৈবা ঙম্নবা চহী কয়াগী মমাঙদগী মণিপুরদা থাজিল্লক্লি। মসিগী মথক্তা অমুক নৌনা সেক্যুরিটি পার্সনেল লিশিং ৪ লমদম অসিদা থাজিল্লক্লিবা অসিনা হৌজিক থোক্লিবা তংদু লৈতাদবা থৌদোক অসিগী ৱারোইশিন পুরকপা ঙল্লোই। লমদম অসিদা চরাংনবা থৌদোক কয়া থোক্লিবসি লৈঙাক্লা অথুবদা ৱারোইশিন পুরক্লবা হোৎনগদবনি।

মণিপুরদা ইকনমিক ব্লোকেদ অমসুং কাউন্টর ইকনমিক ব্লোকেদকী খোঙজং চথরিবসি থা অসিগী ২৪ দগী মথং চহীগী জন্যুৱারি ১ ফাওবা কোমথোকপীয়ু হায়না মহাক্লা ফোঙদোকখি।

## ‘এন সী পি মণিপুর য়ুনিট কোংগ্রেসতা মর্জ তৌবা লৈতে’

ইম্ফাল, দিসেম্বর ২২ (ঐচএন এস) :

নেসনেলিষ্ট কোংগ্রেস পার্টি (এন সী পি) মণিপুর য়ুনিট কোংগ্রেসতা মর্জ তৌবগী ৱাফম লৈতে হায়না এন সী পি মণিপুর য়ুনিটকী জেনরেল সেক্রেটরি ৱাই ইবোয়াইমনা খুৎয়েক পীদুনা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

চেরোল অসিনা হায়, এম এল এ লাইশোম ইবোমচা মথন্তা ইলেক্সনগী খুদোংচাবা য়েংদুনা কোংগ্রেসতা চঙজখিবনি। মহাক্লা কোংগ্রেসতা য়াওখিবা অসিদা করিসু অকায়বা লৈতে। তৌবতবু এন সী পি মণিপুর য়ুনিট অসি কোংগ্রেসতা মর্জ তৌরে হায়রবদি অকায়বা লৈ। মরমদি মর্জ তৌবগী শক্তি মঙোন্দা লৈতে।

নেসনেলিষ্ট কোংগ্রেস পার্টি অসি নেসনল পার্টিনি। রিজনল অমদি লোকল পার্টি নত্তে। এন সী পি ষ্টেট য়ুনিটকী ফঙ্কসনরিশিং, ৱার্করশিং অমসুং ষ্টেট অসিদা পার্টি অসিগী য়ুনিট হাংদোকখিবদা শরুক য়াখিবা ফাউন্দর মেম্বরশিং য়াওনা ৱার্কর কয়া পার্টি অসিদা লেঙদনা লৈহৌরি। এম এল এ লাইশোম ইবোমচা মথন্তা চৎচখিবনি। লাক্কদৌরিবা ১১ শুবা মণিপুর লেজিসলেটিব এসেমব্লীগী মীখলদসু পার্টি অসিগী ওইনা এসেমব্লী কনষ্টিট্যুএন্সি অয়াম্বদা মীরেপ থাদোক্তুনা ইলেক্সন থেংননবা শেম-শাদুনা লৈরি। এম এল এ ইবোমচানা পার্টি অসি থাদোক্তুনা চৎখিবদা পার্টি অসিগী মপাঙ্গল করিসু হন্থবা লৈতে হায়না চেরোলদুনা মখা তানা ফোঙদোরক্লি।

## দ্রাইভরশিংবু অৱাফমদা তাহনবা য়াবা ৱাফম ফোঙদোক্কনু : এ এম আর টি দি এম দব্লিয়ু য়ু

ইম্ফাল, দিসেম্বর ২২ (ঐচ এন এস):

মণিপুরদা ফোঙবা পাউচে অমসুং ইলেক্ট্রোনিক্স মিদিয়াশিংদা দ্রাইভরশিংগী লাইসেন্স গন পীয়ু হায়রিবা ৱাফম অসিবু ওল মণিপুর রোদ ট্রান্সপোর্ট দ্রাইভরস এন্দ মোটোর ৱার্করস য়ুনিয়ন (এ এম আর টি দি এম দব্লিয়ু য়ু)না কন্দেম তৌই হায়না ফোঙদোরক্লি।

ওল মণিপুর রোদ ট্রান্সপোর্ট দ্রাইভরস এন্দ মোটোর ৱার্করস য়ুনিয়নগী জেনরেল সেক্রেটরিনা থোকপা চেরোল অমনা হায়, মণিপুরদা লৈরিবা দ্রাইভরশিং মণিপুরগী মীয়াম পুম্বনা ঙাক শেন্দুনা চৎলিবনি, গাড়ী য়াদবা মফমদা দ্রাইভর ঐখোয়গী য়ুমনি, লৈকায়নি, ঐখোয়গী য়েক্লবা কনা অমত্তা লৈতে, ঐখোয় মণিপুর মীয়াম পুম্বগী থৌগল তৌরিবনি, মসিদা মফম মরাং খঙদনা মশানা মশাবু নেসনল হায়ৱে ৩৭গী ট্রক ওর্নরশিংগী প্রসিদেন্টনি হায়জবা মীওই অসিনা দ্রাইভরশিংবু লান্না উহনবা মানবা মওংদা নোংমৈ পীয়ু হায়রিবসি দ্রাইভর ঐখোয়বু অৱাফমদা তাহনগে খল্লিব্রা হায়না হংলক্লি।

দ্রাইভর ঐখোয়সি করম্বা মীওইশিংনো হায়না লৌবীবগে। দ্রাইভর ঐখোয়গী অপাম্বদি মরী লৈনবা য়ুনিয়ননা অদুমক ফোঙদোকচগনি। দ্রাইভর ঐখোয়গী মরী লৈনদবা মীওইনা অসিগুম্বা মথোং-হুক্তবা ৱাফম দ্রাইভর ঐখোয়দা থম্বা য়ারোই অমদি মতুংদা অসিগুম্বা মথোং হুক্তবা থৌওং তৌরক্লবদি দ্রাইভর য়ুনিয়ননা তুমিন্না লৈথোক্লোই অমদি মতিক চাবা এক্সন লৌগনি। লোয়ননা দ্রাইভরশিংবু অৱাফমদা তানবা শীনগনু হায়রি।

## আই টি চাউখৎলবসু লাইরিক্কী মহুৎ শিনবা ওইথোক্লোই : রাজমোহোন

ইম্ফাল, দিসেম্বর ২২ (ঐচএন এস) :



মীওইবনা খম-থেংনা চাউখৎলবসু ইনফোর্মেসন টেক্নোলোজিনা লাইরিক্কী মহুৎ শিনবদি ওইথোক্লোই হায়না ২৫ শুবা বুক ফ্যেরগী মনুং চন্না ঙসি কল্টিভেটিং রিদিং কলচর হায়বা হীরমগী পেনেল দিস্কসনদা রিছোর্স পার্সন ওইখিবা এম য়ুগী প্রো. এন রাজমোহননা ফোঙদোকখ্রে।

ষ্টেট সেন্ট্রেল লাইব্রেরী, আর্ট এন্দ কলচর দিপার্টমেন্ট অমদি রাজা রামমোহোন রোয় লাইব্রেরী ফাউন্দেসন, কোলকতানা শীন্দুনা চথরিবা বুক ফ্যেরগা মরী লৈননা পাঙথোকপা পেনেল দিস্কসন অদুদা শক্লাইরবা অইবা য়ুম্লেম্বম ইবোমচানা মোদরেটর ওইখি। এম য়ুগী কেমিষ্ট্রি দিপার্টমেন্টকী প্রো. এন রাজমোহোন, গভর্ণমেন্ট পোলিটেক্নিকী লাইব্রেরিয়ান কে চাওবা অমদি মণিপুর পব্লিক স্কুলগী লাইব্রেরিয়ান এল সবিতানা ৱাঙাঙলোয় ওইনা শরুক য়াখি।

প্রোফেসার এন রাজমোহোননা মখা তারদুনা হায়খি, অফবা লাইরিক হায়বসি মীওইবগী খ্বাইদগী ফবা মরুপনি। মালেমগী লন-থুম পুম্নমক্তগী হ্যুমেন রিছোর্স হায়বসিনা খ্বাইদগী মরুওইবা মচল অমনি। মীওইবনা অফবা থবক পাঙথোকপা ঙমদ্রবসু এপ্রিসিএসন পীবা হৈবা অসিসু অফবা খোঙথাং অমনি হায়খি।

ৱাঙাঙলোয় ওইখিবা এল সবিতানা হায়খি, মণিপুরদা ষ্টেট লাইব্রেরী পোলিসী এক্ট চৎনখ্রবসু মণিপুর লৈঙাক্কী মায়কৈদগী লাইব্রেরীগী ঈহৌ কনখৎনবা থবক অমত্তা পায়খৎতে। মণিপুরগী স্কুল, কোলেজশিংদা লাইব্রেরিয়ান হাপ্পীদে, লাইরিক থম্নবা কা অমদি উপু, টেবল চৌক্রি অমত্তা থম্বীদ্রি। মসিনা মরম ওইরগা মহৈরোয়শিংদা লাইরিক পাবগী কলচর লৈতে। মমা-মপাশিংনা মচাশিংদা লাইরিক পাবগী কলচর তম্বীগদবনি হায়রদুনা লাইরিক পাবা মীওইদনা অচৌবা থবক তৌবা ঙমগনি হায়খি।

থৌরমসিগা লোয়ননা লমদমসিগী শান্ন-খোৎনবগী লমদা রুশু শান্নরোয় অনীসু উনখি। মশান্না অসিদা অর্জুন এৱার্দ ফংখ্রবা য়াইরিপোক তোপ চীংথাদগী য়ুম্নাম সনাথোই চনু অমদি ককচীং ময়ায় লৈকায়গী জুনিয়র ৱর্ল্ড কপ গোল্ড মেদালিষ্ট য়েংখোম জাসোনসু উনখি। শক্লাইরা অইবা শরতচান্দ থিয়ামনা মোদরেটর ওইখি। তুংদা কলচরেল এক্টিভিষ্টি কয়ানা শরুক য়াদুনা মখল মথেলগী থৌরম কয়াসু পাঙথোক্তুনা মীয়ামদা উৎখি।

## এম পি এস সীগী ফল লাউথোক্লবসু...

*লামায় ১গী মখা...*লাউথোকখিবা মরম্না কম্পিটিটিব ইগজামিনেসনগী পাউখুম চেশিং নৌনা চেক তৌবগা লোয়ননা টেব্যুলেসন অমসুং স্ক্রুটিনি তৌফম থোকই হায়রি।

হৌখিবা জুলাই ৩ দা প্রিলিমিনরি ইগজামিনেসন পাঙথোক্লগা থাদুমক্কী ৮দা কেন্দিদেট ১১৬০ মায় পাক্লে হায়না লাউথোরকখি। হৌখিবা সেপ্টেম্বর ৪ দগী ২৩ ফাওবা মেইন ইগজামিনেসন পাঙথোক্লগা ওক্টোবর ৪ দা ফল লাউথোকখি অমসুং ওক্টোবর ১৭ তগী ওক্টোবর ২২ ফাওবা ভাইভা ভোসি পাঙথোকখি।

মমাঙদা এম পি এস সীনা মেইন ইগজামিনেসনগী ফল লাউথোকপদা থা অমা হেন্না চঙখি। অদুবু হন্দক্তি শুপ্নগী নুমিৎ ১০গী মনুংদা ফল লাউথোরকপগা লোয়ননা কেন্দিদেট ৯০৪০গী মনুংদা কেন্দিদেট ১০৬৮ মায় পাক্লে হায়না লাউথোরকখি। এক্সট্রা সীট লৌবা য়াদে হায়বা ৱাফম লৈরবসু কনাগুম্বা মীওই খরদা এক্সট্রা সীট পীরম্বা থেংনখি। মসিগীসু মথক্তা তেল্লবা নুমিৎ ১০ নিগী মনুংদা মতৌ করম্না পাউখুম চেশিং মওং-মরিল তানা য়েংলগা ফল লাউথোরকখিবনো হায়না হায় কোর্টতা পিটিসন ফাইল তৌরকখিবনি।

পিটিসনরগী উকিলনা হায়খি, এসে পেপরগী পাউখুম চে য়েংবদা এক্সপর্ট অমখক শীজিন্নখি। মীওই অমনা পাউখুম চে ১০৩৬ য়েংবদা নুমীৎ ১৪ নি চঙখিবা তারবদি নোংমদা পাউখুম চে ৭৫.৯ গী চাংদা য়েংখি। হায়রিবা থৌওং অসি মীওইবা অমনা পাঙথোকপা ঙল্লোইদবা থৌওংনি।

পিটিসনর অমসুং রেস্পোন্দেন্টকী ৱারোল মুন্না তারবা মতুংদা হায় কোর্টনা পীখিবা ৱায়েল অমনা হায়খি, মণিপুর জুদিসল একাদেমীগী দিরেক্টরনা লুচিংবা টিম অমনা হীরম অসিগী মতাংদা কুপ্না থিগৎলগা চয়োল তগী মনুংদা রিপোর্ট অমা কোর্টতা পীখৎহনগদবনি। মথংগী হিয়ারিং জান্যুৱারী ১৩ দা পাঙথোক্কনি হায়রি।

## ঙসিগী রাশি ফল

অইবা : থিংবাইজম মনিরোতোন সিংহ, জ্যোতিষ শাস্ত্রী, নাগামপাল পাওনম লৈকায়, ইম্ফাল।

তাং ২৩-১২-২০১৬, ইরাই, পোইনুগী ২৫ নি পানবা নুমীদাংগী পুং ১২.৫৪ দগী ২৬ নি পানবা, যোগীনি মায়কৈদি অৱাং, নুমীদাংগী পুং ১২.৫৪ দগী মৈরম

**মেষ** ঃ কান্নজবা, ঈকায়বা নংবা লৈ, অকি অকঙ লৈগনি, ইমুংদা নুংঙাইজবা পীবা ওইরি।
লাল্লোল ঃ চাউখৎপা লৈ, অনৌবা থবক কান্নগনি।
পাখং-লৈশা ঃ ৱাখল চান্নবা, নুংঙাইবা মতাংনি।
হকচাং ঃ শরু, শিংলিদা নুংঙাইরোই।
কোকচনবা পোৎলমশিং ঃ লৈ হিগোক, চিনি অঙৌবা।

**বৃষ** ঃ কান্নবা ৱাৎপা মতাংনি, লাংতক্লবা, শাউনিংবনা য়ামগনি, খরা চেকশিন্না চৎপা ফৈ।
লাল্লোল ঃ হীদাক, লমগী থবক্তা কান্নগনি।
পাখং-লৈশা ঃ য়েংশিনবা য়াম্মী, নীংবদি থুংগনি।
হকচাং ঃ মীৎতা নুংঙাইতবা লৈগনি।
কোকচনবা পোৎলমশিং ঃ লৈ অঙাঙবা, চিনি অঙাঙবা।

**মিথুন** ঃ শাউনিংবা পীবা, চরাংনবা লৈ, য়েংশিনবা য়াম্না ওইরি, কান্নজবদি লৈগনি।
লাল্লোল ঃ অরংবা, সনাগী থবক কান্নগনি।
পাখং-লৈশা ঃ নীংবা থুংগনি।
হকচাং ঃ ঈশিং মরী, খোঙদা নুংঙাইরোই।
কোকচনবা পোৎলমশিং ঃ লৈ অঙৌবা, চা চন্দন।

**কর্কট** ঃ ঙমদবা থবক ঙমজবা, মরুপ য়াম্না, ময়াম্না নুংশিবীবা লৈ।
লাল্লোল ঃ অরংবা, অকে অমৌগী থবক্তা কান্নগনি।
পাখং-লৈশা ঃ শাউনবা, পামদবা মীওইনা অয়েৎপা লাকপা লৈ।
হকচাং ঃ মীৎ, কোক মায় নুংঙাইরোই।
কোকচনবা পোৎলমশিং ঃ লৈ অঙাঙবা, চিনি অঙাঙবা।

**সিংহ** ঃ নুংঙাইবা পাউ লৈগনি, চরাংনবা লৈ, ইচিল ইনাওগা শাউনবা, শেল চৎপা লৈগনি।
লাল্লোল ঃ ফিরোল অরংবা পোৎতা কান্নগনি।
পাখং-লৈশা ঃ শাউনিংবা পোকহনবা, পূক্লিং লাংবা লৈগনি।
হকচাং ঃ থবাক, মীৎতা নুংঙাইরোই।
কোকচনবা পোৎলমশিং : লৈ হিগোক, ঘী।

**কন্যা**ঃ মীগা মুক্লনিংবা মতাং ওইরি খরা চেকশিন্না চৎপা ফৈ, লমদা চৎপা লৈ।
লাল্লোল ঃ শেল, সনাগী থবক্তা চাউখৎকনি।
পাখং-লৈশা ঃ শাউনবা লৈ, পূক্লিং তপ্পা চৎপা ফৈ।
হকচাং ঃ মীৎ, মৈদগী শোকপা নাবা মতাংনি।
কোকচনবা পোৎলমশিং : লৈ অঙাঙবা, থোইদিং অঙৌবা।

**তুলা**ঃ মীপায়বা ফাওবা, থবক অনীরক হন্নবা মতাংনি, শেল চৎকনি, তপথবীয়ু।
লাল্লোল ঃ মৈগী, হীদাক লাংথক্কী থবক কান্নজগনি।
পাখং-লৈশা ঃ ৱাখল মান্নগনি।
হকচাং ঃ খ্বাঙ, খোঙ নুংঙাইরোই।
কোকচনবা পোৎলমশিং ঃ চিনি অঙাঙবা, লৈ হিগোক।

**বৃশ্চিক** ঃ ইমুংদা শাউনবা লৈ, মরী মতা মথক থোংবদগী কান্নজবা, মীগা মুক্লবা লাক্কনি, পূক্লিং তপথবা ফৈ।
লাল্লোল ঃ চাউখৎপা হেনগৎপা লৈগনি।
পাখং-লৈশা ঃ চান্ন-চিন্নগনি, ৱাখল মান্নগনি।
হকচাং ঃ য়াংলেন, খ্বাঙ নুংঙাইরোই।
কোকচনবা পোৎলমশিং ঃ লৈ হিগোক, থোইদিং অমুবা।

**ধনু** ঃ চৎপনা হেল্লকপা, খঙহৌদনা ৱাখল ওল্লকপা লৈগনি, মীনা থাজবা ৱাৎকনি।
লাল্লোল ঃ শেল, সনা লুপাগী থবক কান্নজগনি।
পাখং-লৈশা ঃ অনীংবা মঙফাওনবা মতমনি।
হকচাং ঃ ফিৱাক, পুক্তা নুংঙাইরোই।
কোকচনবা পোৎলমশিং ঃ হৱাই মুগ, ঘী।

**মকর** ঃ খঙহৌদনা অহোংবা লাকপা, লমদা চৎপা, শেল চৎকনি, মীনা শনমান তৌবীবা নুংশিবীবা ওইগনি।
লাল্লোল ঃ লাকপগা চৎপনা হেনগনি।
পাখং-লৈশা ঃ ৱাঙাঙদগী অকায়বা লাক্পা লৈ, চেকশিনবীয়ু।
হকচাং ঃ মৈগী অকিবা লৈগনি, খরা চেকশিনবীয়ু।
কোকচনবা পোৎলমশিং ঃ লৈ অঙাঙবা, চিনি অঙাঙবা।

**কুম্ভ** ঃ মীনা ঙাঙবা তানিংদবা, করিসু নত্তবদা শাউনিংবা, থবক্লা য়াম্না তৌবদি ঙমদবা ওইরি, পূক্লিং তপথবা ফৈ।
লাল্লোল ঃ অরংবা সনা লুপাগী থবক কান্নগনি।
পাখং-লৈশা ঃ মরুপনা য়েংশিনবা, মীৎয়েং চঙবা লৈগনি।
হকচাং ঃ মীৎ, উনসা নুংঙাইরোই।
কোকচনবা পোৎলমশিং ঃ লৈ অঙৌবা, ঘী।

**মিন** ঃ মীনা তাথিবা, লন লেপ্পা ঙম্বা লৈ, তৌরুবা থবক্তা খরা চাউখৎপা লৈগনি।
লাল্লোল ঃ হীদাক, অচা অথক্কী পোৎলম কান্নজগনি।
পাখং-লৈশা ঃ ৱাখল লোংবা মতাংনি।
হকচাং ঃ পুক খ্বাঙ নুংঙাইরোই।
কোকচনবা পোৎলমশিং ঃ থোইদিং অঙৌবা, লৈ হিগোক।

কোকচনবা পোৎলমশিং ইশানা নীংবা ঈশ্বরদা কৎপীয়ু।
যোগিনী মায়কৈদা অমসুং য়েৎওইনবা মায়কৈদা যাত্রা তৌবা ফত্তে।

## পোল্লিং খরদা ভোটর ভেরিফাইএবল...

*লামায় ২গী মখা...* ঈ ভি এম শীজিন্নবগী মতাংদা এৱ্যেরনেস পীনবা প্রোগ্রাম কয়া পায়খৎনবা থৌরাং তৌরি। নৌনা ভোটর লিষ্টতা চল্লক্লিবা নহাশিংদসু ঈ ভি এমগী মতাংদা খঙহন্নবা হোৎনবা তঙাইফদে হায়নসু ফোঙদোকখি। ঙসি পাঙথোকখিবা ঈ ভি এম অমদি ভিভিপেট শীজিন্নবগী মতাংদা মীদিয়া পার্সনশিংগী ওইবা ট্রেনিং কম দেমোনষ্ট্রেসন প্রোগ্রাম অদুদা ঈ ভি এম কন্সল্টেন্ট বিবিন কটরানা দেমোনষ্ট্রেসনগা লোয়ননা ঈ ভি এমগী মতাংদা শুগায়না তাকখি। থৌরম অদুদা জোইন্ট সী ঈ ও, মণিপুর রিশিকেস মোদেকসু শরুক য়াখি।

## চীং-তমগী সী এস ওশিংনা লৈঙাক্তা...

*লামায় ২গী মখা...* মীফম অমা ফল্লবা মতুং মণিপুর লৈঙাক অমদি ইন্দিয়া গভর্ণমেন্টতা জোইন্ট ফোরমগী মেমোরেন্দম অমা পীবা হায়বসিনি। ঙসি য়ু সী এমগী ওফিসতা পাঙথোকখিবা মীফম অদুদা য়ুনাইটেদ কম্মিটি মণিপুর, ওল মণিপুর য়ুনাইটেদ ক্লব ওর্গনাইজেসন, কম্মিটি ওফ সিবিল সোসাইটি কংলৈপাকগা চৎমিন্নরিবা লূপশিংসু শরুক য়াখি। মীফম অদুদা ৱাইফৈ পিপলস কাউন্সীল, ওল মণিপুর খৃষ্টিয়ান ওর্গনাইজেসন, ওল জেলিয়াংরোং আর্ট এন্দ কলচর ওর্গনাইজেসন, রোংমৈ লনফৌ, চিরু ত্রাইব য়ুনিয়ন, জেলিয়াংরোং বৌদি, ইন্দিজিনস মাইনোরিটি ওর্গনাইজেসন মণিপুর, আইমোল ত্রাইব য়ুনিয়ন মণিপুর, কুকি ইন-পি মণিপুর, ওল ত্রাইবেল ষ্টুদেন্টস য়ুনিয়ন মণিপুর, কবুই মাদর এসোসিএসন, কুকি ৱিমেন মণিপুর, কোমরেম য়ুনিয়ন, কোইরেং য়ুথ ওর্গনাইজেসন, কোইরেং ত্রাইব য়ুনিয়ন, ওল মণিপুর মুস্লিম কোওর্দিনেটিং কম্মিটি, ওল মণিপুর মুস্লিম দিভলপমেন্ট ওর্গনাইজেসন, সিনিয়র সিটিজন ফোর সোসাইটি মণিপুর, শুমাং লীলা কাউন্সীল, ওল মণিপুর মতম ঈশৈ কাঙলুপ অমদি তোঙান তোঙানবা ওর্গনাইজেসনগী কয়াগী মীহুৎশিংসু শরুক য়াখি।

## ব্লোকেদ, কাউন্টর ব্লোকেদ তৌগনু...

*লামায় ২গী মখা...*মফম অনীদা সান্ত্রো কার অমগা ওটো রিক্সো অমগা মৈ থাখ্রে হায়রি। প্রেসনা ফংবা পাউ মতুংইন্না ঙসি নুমিদাং পুং ৫ রোম তাবা মতমদা ইম্ফাল্লোমদগী পেসেঞ্জর মঙা পুরগা লাকপা সান্ত্রো কার (দিএল৮সী এল/২৮৭৬) অমা তেলৌ খুন্দোননাইবী তুরেল মপানদা শকখঙদবা কাউন্তর ব্লোকেদ শৌগৎপা মীওই খরনা গাড়ীদা তোংলকপা মীওইশিং অদু কুমথহল্লগা মৈ থাখ্রে হায়রি। কার অদুগী মপুনা হিজম সুনন (৩৬) অপোকপা বুধ কৌই। মহাক য়ৌরবুং মমাং লৈকায়দা লৈবনি হায়রি। গাড়ী অদুগী দ্রাইভর সুনন্না ইম্ফাল উখুল লম্বীদা পেসেঞ্জরশিং অদু পুরগা য়াইঙংপোকপী তম্না লাকপদা মহাক্লা তেলৌ খুনৌরোমদা অশন্বা লম্বী হায়জিল্লুবদা নাইবী তুরেল মপানদা লৈরম্বা মীওই খরনা গাড়ী অদু মৈ থাখিবনি হায়রি।

অমরোমদা, ঙসি নুমিদাং পুং ৬ রোম তাবা মতমদনা খুমন লম্পাক্তগী ফুংয়ার তম্না পেসেঞ্জর পুরগা চৎপা ওটো রিক্সো অমা নোংগ্রেন মমাং লৈকায়দা শকখঙদবশিংনা গাড়ী অদুদা তোংলকপা পেসেঞ্জরশিং কুমথহল্লগা মৈ থাদোকখ্রে হায়রি। ইম্ফাল উখুল লম্বী অসি লমলোং কৈথেলদগীনা য়াইঙংপোকপী ফাওবা সিক্যুরিটিনা চেকশিন্না ঙাক শেনবদগী পামদবা থৌদোক থোকপগী পাউ ফংদে। ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্টকী মনুং ফাওনা চৎলিবা লম্বী অসি দিষ্ট্রিক্ট মেজিষ্ট্রেটনা লম্বীদগী মিটর ৩০০ রোম লাপ্পা কর্ফিয়ু থল্লগসু লমলাই, পুংদোংবম, য়ৌরবুং, সওম্বুং, সৈজাং অমদি সবুংখোক্লচিংবদা দুকানশিং থোং হাংনখি।

লম্বীদা প্রাইভেট গাড়ীশিং চৎথোক চৎশিন তৌনখি। মসিদা নত্তনা লমলোংদগীনা পাঙ্গৈ তাবা লম্বী অসিসু লম্বীগী নাকলদগী মিটর ৩০০ কর্ফিয়ু থমজিল্লবসু লম্বীগী নাকলদা লৈবা দুকানশিং থোং হাংনখি। সিক্যুরিটিশিংনা পামদবা থৌদোকশিং থোক্তনবা চেকশিন্না ঙাক শেনখি।